ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯱꯱, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯰꯶ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, জুলাই ১১, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ১০৬শুবা মশীং

# নুপীগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইম

## বি জে পি লৈঙাক্কী মতমদা ক্রাইম থোকপগী চাং হেনগৎলক্লি

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নুপীশিং খূদোংথিবা নংহন্দনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলে হায়না ক্লেম তৌজরবসু নুপীগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইম হেনগৎলক্লে হায়বা য়াই। চহী অমা মখায়রোম থেংথনা ফোঙলকখিবা নেসনল ক্রাইম রেকোর্দস ব্যুরো (এন সী আর বি)গী রিপোর্টনা হায়খি, কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈ, কুমজা ২০১৩দা থোকখিবা নুপীগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইমগা চাংদম্নবদা বি জে পিনা লৈঙাক পায়রক্লবা মতুং কুমজা ২০১৭তা থোকপা ক্রাইমগী চাংনা চাদা ১৬ লোম হেনগৎলক্লে। কুমজা ২০১৩দা নুপীগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইমগী কেস লাখ ৩.০৯ রেজিষ্টর তৌখি। কুমজা ২০১৭তনা কেস লাখ ৩.৫৯ রেজিষ্টর তৌখি। এন সী আর বিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না নুপীগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইম খ্বাইদগী চাং ৱাংনা থোকপা ষ্টেট উত্তর প্রদেশনি। কুমজা ২০১৭তা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা রেপ কেস ৩২,৫৫৯ রিপোর্ট তৌখি। চাং খ্বাইদগী ৱাংখিবা মহারাষ্ট্রদা রেপকী থৌদোক ৫,৫৬২; উত্তর প্রদেশতা ৪,২৪৬; রাজস্থানদা ৩,৩০৫; অমসুং ওরিষাদা ২,০৭০ থোকখি। য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী মরক্তা চাং খ্বাইদগী ৱাংখিবসি দিল্লিনি। দিল্লিদা রেপকী থৌদোক ১,২২৯ থোকখি। নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইরিবদি রেপ কেস চাদা ৩০.৯দা ভিক্টিম পূম্নমক মশাগী চহী ১৮ শুদ্রিবা নুপীমচানি। এন সী আর বিগী রিপোর্টনা হায়, কুমজা ২০১৭তা অউনপোৎকা মরী লৈননা নুপী হাৎপগী থৌদোক ৭,৪৬৬ থোকখি। হীরম অসিদসু উত্তর প্রদেশনা চাং খ্বাইদগী ৱাংখি। অউনপোৎকা মরী লৈননা নুপী হাৎপগী থৌদোক চাদা ৩৩.৮ উত্তর প্রদেশতা; চাদা ১৪.৪৮ বিহারদা; চাদা ৮.৪৬ মধ্য প্রদেশতা; অমসুং চাদা ৬.৬৮না ৱেষ্ট বেঙ্গলদা থোকখি। হায়রিবা চহী অদুদা থোকখিবা রেপকী থৌদোকশিংদা মরাল লৈরবা মীওইশিং কনভিক্সন পীবগী চাং চাদা ৩২.২ ওইখি। দাওরি প্রোহিবিসন এক্ট ১৯৬১গী মখাদা কেস ১০,১৮৯ রেজিষ্টর তৌখ্রবসু চেন্নবা মীওইশিং কনভিক্সন পীবগী চাংদি চাদা ৪১.৪ ওইখি। মপুরোইবা অমসুং ইমুং-মনুংনা নুপীদা তাথি-তাওইনা তৌবগী থৌদোক ১,০৪,৫৫১ থোকখ্রবসু চেন্নবা মীওইশিং কনভিক্সন পীবগী চাং চাদা ১৫.৯ খক ওইখি।

এন সী আর বিগী রিপোর্টনা হায়, বি জে পিনা লৈঙাক পায়রক্লবা মতুংদা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা প্রোটেক্সন ওফ চিলড্রেন ফ্রোম সেক্স্যুয়ল ওফেন্সেস (পোক্সো) এক্টকী মখাদা কেস ৩১,৬৬৮ রেজিষ্টর তৌখি। মহারাষ্ট্রদা কেস ৫,১৭৪; উত্তর প্রদেশতা ৪,৭৯১; ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ২,১০৬ অমসুং দিল্লিদা কেস ১,৫৫৮ রেজিষ্টর তৌখি। অদুবু কনভিক্সন পীবগী চাংদি চাদা ৩৩.১ ওইখি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা 'বেটি বচাও, বেটি পরহাও'নচিংবা থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা ফনা খন্না হোৎনরবসু নুপীগী ফীভম ফগৎহনবা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। নুপীগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইম চাদা ১১.৩৫ লৈবাক অসিগী মরু ওইবা মেট্রোপোলিটান সিটি ১৯দা থোকখিবনি। শাংলবা চহী কয়ামরুম ইন্দিয়াবু নুপীশিংগী খূদোংথিনিংঙাই ওইবা মফমনি হায়নদুনা লাকখি। ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী মতুং ইন্না লো এন্দ ওর্দরগী ৱাফম অসি মরী লৈনবা ষ্টেটকী ইস্যুনি। মরম অদুনা ষ্টেট অমদা থোকপা ক্রাইম লাকশিনবা হায়বসি মরী লৈনবা ষ্টেট লৈঙাক্কী থৌদাংনি। নুপীবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলিবা বি জে পিনা লৈঙাকপা ষ্টেট অয়াম্বদা ক্রাইম লাকশিনবা ঙমদ্রি হায়বা এন সী আর বিগী রিপোর্টনা ময়েক শেংনা তাক্লে। য়াম্না মরু ওইবা ষ্টেটনি হায়না লৌনরিবা উত্তর প্রদেশতা অজয় সিংহ বিষ্ট (যোগি অদিত্যনাথ)না কুমজা ২০১৭তা চীফ মিনিষ্টর ওইরকখিবা মতমদা নুপীশিং খূদোংথিবা নংহন্দনবনি হায়দুনা 'এন্টি রোমিও স্কৱাদ' লিংখৎখি। স্কৱাদ অসিদা য়াওবা ফিজম শেৎপা পুলিস পর্সনেল কয়ানা ষ্টেটকী তোঙান-তোঙানবা মফমদা কোয়চৎ-চৎতুনা ঙাক-শেলগী থৌরাং লৌখৎলবসু নুপীগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইম মপূং ফানা লাকশিনবা ঙমখিদে। মধ্য প্রদেশনা খ্বাইদগী অহানবা ওইনা কুমজা ২০১৭তা মশাগী চহী ১২ শুদ্রিবা নুপীমচা ফল্লানবদা চেন্নবা মীওইশিং শিবগী চৈরাক পীনবা ৱাফম হৌদোকখি। অতৈ অতোপ্পা ষ্টেট কয়াদসু নুপীশিং খূদোংথিবা নংহন্দনবগী থৌরাং লৌখৎনবা বজেটতা শেনফম কয়া হাপখি। পূম্নমক অসি ওইদুনসু নুপীগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইম মপূং ফানা লাকশিনবা ঙমখিদে। পার্টি অমনবু ওইরবসু অমনবু ওইরবসু ক্রাইম লাকশিন্নবগী মতাংদা মতীক চাবা থৌরাং লৌখৎপা ঙমদ্রে হায়বা য়াই। অকনবা লো চৎনহনবগা লোয়ননা পুলিসতা অহেনবা মতীক-ময়াই পীরবসু কান্নফম খঙদ্রে হায়না লৌবদা লানগদবা মান্দ্রে। কাঙলূপ খূদিংমক্কী মীওইশিং ৱাখল তামিন্নবা নৎত্রগদি ক্রাইম লাকশিনবা ঙমগনি নীংদে।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### চাওখৎপা খুন্নাই অমা পুরক্নবা হোৎনরসি

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

ঙসিগী মালেমসিদা মরু ওইনা চৎনরিবদি শেল অমদি শেলনা শান্নবা পোলিটিক্স অসিনি। মসিনা এ সী অমা, খুন্নাই অমা শেমগৎ-শাগৎতুনা চাওখৎনবা হোৎনরকপদা কৈদৌনুংদা মায় পাকপা ঙমদ্রি। শেলনা থোং শারগা কারকখিবা মীহুৎশিংগী মরক্তা কৎথোকপা, চঙখিবা শেলশিং হঞ্জিন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা মীয়ামগী য়াইফনবতা খনবা মীওইশিং অসি ঙসিগী মালেমসিদা তাঙনা থোকই। কনাগুম্বা-কনাগুম্বীশিংগী মরক্তা ঐগী, মাগী, মীগী হায়বসিনা মাঙজিল থারগা চৎপনা অয়াম্বনি হায়না লৌবসু য়াই। এদিটর সর ঐহাক্কী ওইবা মোত্তদি মীগী, মাগী, ঐগী হায়বা ৱাখল্লোন্দা থবক তৌবসিনা হেন্না পামজৈ।

ঙসিগী খুন্নাইসিদা করবারৱালাশিংনা শান্নবা পোলিটিক্সতি মাগী শেন্দোংগী য়েংলগা শান্নবা ঙাক্তনি। শেন্দোং ফংলোইদৌবা/মাঙগদবা মফমশিংদা মখোয়না খক মায় ওনশিনদে। মসিনা মখোয়গী পোলিটিক্সতু তুং কোয়না চৎপা ঙমদে। মখোয়না শেল থাদবসি মখোয়গী কান্নগদবা য়েংলগা থাদবনি অমদি থবক তৌবনি। চাওখৎ থৌরাংদা যূম্ফম ওইরগা শান্নবা পোলিটিক্সতি শাংনা চৎলি, মীচম মীয়ামগী থাজবসু খক মাঙদে, নুংশিনবসু হেল্লি, ৱাথোক লান্থোকসু য়াওদে। করবারৱালাশিংনা শান্নবা পোলিটিক্সনা মীচম মীয়াম য়ারিবমখৈ লায়রহনবা, শূফম নোম্ফম লৈহন্দবা, মচা-মশুশিং মহৈ-মশীন তম্বা, শেম-শাবা ঙমহন্দনবা হোৎনবসি মখোয়গী অরৌবা সবজেক্টনি। লায়রবনিনা হিংনবা পাম্বে থিরকপদা মখোয়না খুদোংচাবা লৌরগা শেল থংজিন্দুনা মীচম মীয়াম্বু মখোয়গী খুবামনুংদা থম্নবা হোৎনৈ। মখোয়গী মচাক-মরন চারুবা/লৌরুরবনিনা মখোয়গী মায়োক্তা ফোংনা থবক তৌবা ঙমহন্দবা, মপূং ফানা হিংহনবীনবা হোৎনবসু নত্তবা, মপূং ফানা হিংনবা হোৎনরুরগা শেল পীহল্লবদি নোংমা নৎত্রগা নোংমদি মখোয়দা চেলেঞ্জ তৌরকপসু য়াই খন্না খোইচাক থার-থারগা থম্বা কয়াসিননি ঐখোয়না ঙসি লায়রবগী চৈথেং মায়োক্নরিবসিনি।


পূম্নমকশিং অসি তুং কোয়না থোক্তনবা হোৎনগে হায়বা তারবদি ঐখোয় অখাং কনবা তাবনি। অখাং কন্দ্রবা ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী খল্লগা চৎপসিনা ইমুং-মনুং মহি লাংবদগী হেনে দাক্তুনা ইচা-ইশুশিং শেম্বা ঙম্লক্তবা কয়াসিনা থোকহন্নীংদবা পামদবা থৌদোক ৱাথোক কয়া থোরক্নবগী ফেক্টর অমনি। মীচম মীয়ামগী ৱাখলদা নাক-য়েৎ, তুং-মাং য়েংলগা চৎপশিংদি ফত্তবা অমোৎ-অকায় অমাংবদি খক নেৎতে। নাক-য়েৎ, তুং-মাং য়েংদনা চৎপশিংদি শোয়দনা অমাংবা নেৎপসি মশানা তাবনি। দোলাই তোংবীনা ৱাইকুপ পুবীগীদমক্তা ৱাই হায়বদুনি। মীচম মীয়াম ঐখোয় ৱাখল তামিন্নবা চঙই। ইশা ইশাগী ইমুং-মনুংদা থোক্লিবা মরু ওইবা ক্রাইমশিং অসি ঙসিগী লায়রবা হায়বা মিংথোলসিনা থোকহনবনি। লায়না অসি ঙাকথোক্কে হায়বা তারবদি ইশা-ইশাদা শিংনবা অমা থম্লগা থবক তৌবা হায়বসিনা লায়নাসি কোক্কনি।

লায়রবা হায়বসি পোক্লকপদগী য়াওরকপা/লোয়নরকপা অমত্তা নত্তে। ঙসিগী খূৎ হৈবশিংগী ৱাখল্লোন্না থোকহনবা ঙাক্তনি। মসিদগী মীকূপ নাহুম শিংনা লৈদুনা চাওখৎপা খুন্নাই অমা পুরক্লবা হোৎনরসি।

*অদোমগী :- কোন্থৌজম মনিহার, সেকমাইজিন খুন্নৌ*

# ঐদি শুক হায় হেক হায়জরোই

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**




নোংমা কোভিদ-১৯গী লোকদাউন তৌদ্রিঙৈগী মমাঙগী নুংথিলনি। ফেসবুক্তা ঐগী মতম অমগী সর কে মঙ্গিজাও মীতৈগী বর্থদেগী ফোটোনা পুমচাই চাইখি। ফোটোশিং অদুদা মরুপ-মপাং, মরী-মতা, অনকপা-অরাপ্পা কয়ানা নুংশি-নুংশিবা কম্মেন্ট চা কয়া লোইনা পীনখি। হেপ্পি বর্থদে টু য়ু, সর, পাবুং, তামো, ওজা, মামো, ইয়াম্বা হায়বা ৱাহে কয়ানা লোইবা নাইদখৈ কম্মেন্ট পীনরকখি। সর মঙ্গিজাও নুংঙাইজরমগদ্রা, নুংঙাইজরমলোইদ্রা হায়বদুমদি ঐ ৱাখল তাদে। মাদি অদুম্বা ৱাহে পামজদবনি, মানা পামজবদি শেল খক্তনি অদুননি হায়জরিবসে। মহাক নুংঙাইজরমগনি হায়বসু শুকঙম ঙমদে। অমরোমদা নুংঙাইরম্মোইসু হায়বা ঙমদে মাসু চাওরাক্লা মী অমনিনা। মখোয়গী শাগৈগী মীওইশিং অমদি মরুপ-মপাং কয়ানা মাগী শুমাং, মাঙ্গোল অদু কিদ্রিক-কিদ্রিক ইন্নখি। নুমিৎতু তাঙল-তাঙলবা বিসক্যুট, বৌকেট, কেক, ফুরিৎ, ফি-রোল, খোঙগ্রাও, ঘড়ী, খোঙউপ অসিনচিংবা কয়া ঐগী সরগী মফমদা থম্মোয় শেংনা খুদোল তৌনরৈ।

মৌ নহা ওফিস কাবী মশক ফজবী কয়া, নুপা নহা কয়া, লৈশাবী-পাখঙ কয়ানা মচু কয়াগী ফিজেৎ লৈতেং কয়া শেৎ চারদুনা/ইল্লদুনা খুদোলপোৎশিং পুরক-পুরক্তুনা লাক্লরম্মী। খুদোলশিং অদুতনা মাগী পাক চাউরবা মাঙ্গোল অদু পীক থন্না ফোটোদুদা উরে। ঐবুদি চৎলুদে ফেসবুক্কী ফোটোদা উবগী ৱাদনি। মাগী মপোক নুমিৎকী ফোটোশিং অদুদা মহাকপু পুন্সি নুংশাংনা অমদি নাদ-য়েক্তনা লৈনবা তাইবঙ শেম্বা মপুদা হায়জবা কয়াসুনি। কম্মেন্টশিং অদুদা মহাকপু লাইগুম্না ঈরাৎচবা মীওই কয়ানা অহল মাবু অহল ওইশিলহন্নীংদবগী, শিহন্নীংদবগী নুংশি-নুংশিবা কম্মেন্ট কয়া পীনরি। মচাশিংনসু মাবু মখোয়গী নীংবা থুংহন্নবতা লাক্লবদা ৱাজরবা মপুক মপাউ য়াম্না ফবা মপা অমা ওইনা কম্মেন্ট পীদুনা শীংথারি। ইমুংগী লৈত-লায়রবা কোক্লবা হোৎনবদা য়াম্না ৱাজরবা মীশক অমা ওইনা নুংশিনা শৈথারি। অফবা মপা অমা ওইনা অফবা মপুরোইবা অমা ওইনা। ইমুংগী লৈত-লায়র খঙবা মী অমা লৈজবী থাদুনা ওইনা শীংথানরি অমদি মমল ৱাংনা থাগৎ ৱারোল পীরি। ময়াদা লদু ইল্লি, কেক ইল্লি। নুংশিনা কোল্লি। মখজাইদা চূপ্লীরি। মপানি, মবুংনি, মপুরোয়বনি, মামোনি, অঙ্কলনি অসিনচিংবা ৱাহে কয়া কয়াগা লোয়ননা। য়াম্না শেল চঙবা বর্থদে অমদি ওইরে হায়বা অদুম উরে।

বর্থদেগী ফোটোশিং অদুগী মখাদা মাগী মরুপ-মপাংশিং অদুনা পীরক্লিবা কম্মেন্টশিং অদু পারুবদা ঐদি মাগা মতম খরা লোয়নরুবা পিওন অমা ওইবনা মাগী মরমদা, মাগী হৌখ্রবা ৱারী কয়া শিংকুপ শানা নীংশিংলক্তবা শুকঙম হেক ঙমদে। ঙসিদগী চহী তরাগী মমাঙদা মাগা ঐগা থবক মফম পুল্লন্মী। মানা ঐঙোন্দগী চহী তরামঙারোম হল্লি। মাগী মনাক্তা ঐ পিওন অমা ওইনা লৈরম্মী। মানা ওফিসর অমনি।

মানা মতমদুদা খদ্রক তৌ-তৌদুনা লোন্না-লোন্না ময়ামদগী লৌবা শেল ময়ামসি অঙকপনি। ঐ মাগী মতৌ উবদা খূৎ-শা মরেং-মরেং চৎখি। মা উবদা ঐনা নাবা মীৎসি ঐদা নত্তনা মী ফনয়াম্মী। লাক্লিবা ময়াম অদুসু মানা ধপ মচা অমত্তং তৌবদা লুপা লিশীং-লিশীং লিশীংনা খুজিংনি, চামঙা চৎপীনা অতোম্বনি। মাগী থাগী তোলোপ অদুসু ঐগুম্বা অহুমগী থাগী তোলোপতি পীনবা চপ চানা কোন্নদৌবা মাল্লি অদুবু পেনবা নাইদে মাগী থম্মোয়না। কনখ্রবা থম্মোয়নি। ময়ূম অদুসু মথোল মরি শুখ্রে। অতাঙবা কার মরিনি ময়ূমদা। মাগী নুপীগী অমা, মচানুপাগী অমা, মচানুপীগী অমা, মাগী অমা। হায়জিনবা মাল্লমগনি হায়জিনবা নৎচদে। ঐগীনা স্কুটর অমত্তং শিনগে তৌবা য়ৈথোকপনা থবক ওইদুনা লৈরে। ঐ অমা ইশা থাগৎতুনা হায়জরবদা মদৌনা হুরানবা ঙমদে। হুরাল্লগে হায়রসু ঐনা হুরানদৌরিসিনা কদাইদগীনো? লোইশঙদুদা লাক্লিবা ময়াম অদুসু মঙোন্দা ৱা হায়জবা ঙম্বা অমত্তসু হেক য়াওদে। মাগা মুক্লরুরবদি মখোয়গী খুদোংচাবা মাঙজ গনি অসিতনি খন্নরিবা। মমৈদা কিগনবা ময়াম অদু উবদা মখোয়দসু য়াওনা ঐগী খূৎ-শা অসি মরেং-মরেং চৎপা হৌরক্লে। মহাক শেল য়াম্না চাবা পাম্বা থকসি-খাসি য়াওদবা, মী উশিত্তবা, মরালনা মপোৎ ফারবা জেলদা থম্বদা মতিক চপ চারবা ক্রিমিনেল অমনি হায়না ঐগী থম্মোয়না লৌবা হৌরক্লে। অসুক মরাল লৈরবা মী অসিবু মতম অদুগী মীয়াম অদুনা য়াম্না কিজখি। কিগদবনা কিদ্রগা কিরোইদবনা কিজবা ফীভম অমনি। অসিগুম্বা নুপা অসি পেন্সনদি চৎতি চৎলমাল্লে।

অসিগুম্বা অসুক ফৎখিদ্রবা হিংচাবা অসিগী মাগী মপোক নুমিৎ অসিদা হেপ্পি বর্থদে টু য়ু কা হায়বসি ঐদি পুন্সিদা হায়বা শুকঙম ঙল্লরোই, পুন্সি নুংশাংবীয়ু, নাদ-য়েক্তবা ওইবীয়ু, নঙদি ঐখোয়গী পুন্সিদা মমল য়াল্লবা খুদোল অমনিকা য়াম্না ইনখি। অসুম্মাইনকা হায়বসিনি ঐনা য়াম্না মায় ঙাঙলিসে। মাগুম্বা ক্রিমিনেল অমদা ঐগী শেংলবা চিম্বাল অসিনা করিগী পুন্সি নুংশাংবীয়ু, করিগী নাদ-য়েক্তবা ওইয়ু করম্না হায়নীংলনি? ঐদি মাগুম্বা মী অসিদি হেপ্পি বর্থদে টু য়ু শুকহায় হায়রোই। পুন্সি নুংশাংবীয়ু হায়বা ৱাহে অসিসু শুকহায় হায়রোই। মখোয়গুম্বা মী অসিদি মথং মপোক অমদসু তাইবঙ মীওই মরক্তা শুকপোক পোকপীরনু সিনি। অদুগা শোয়দনা পোকখিবা তারবসু মপুন্সি শুকশাং শাংহনবীদবা অসিনি ঐনা পামজরিসে।

সোরি, ঙসাইদগী ঐনা তমজরক্লিবা ৱারী অসি অশেংবা থৌদোকমক্তি নত্তে, ৱাখলনা শাবা ৱারীনি। ময়াম শেমজিনবা ৱারীসু অদুম নুংঙাইবনি। ●

# ঈশিং চাউবা য়েংবা

**নবকুমার ওইনা**

চহী খূদিংগী ঈশিং চাউগদৌরিবনি। চহী খূদিং ঈশিং চাউবা য়েংবা ফংগদৌরিবনি। ঐখোয়তা নত্তে, দিপার্টমেন্ট ওইনা ঈশিং চাউবা য়েংবা লৈরি। য়েংবনি, তুরেলবান কায়রবা ফাওবা য়েংলগা লৈবা য়াওরিবনি। অদুসু তুরেল মচাদি য়েংনদে হায়রিবনি। ঐখোয় শ্বায়দতা নত্তে অসামদসু, চাইনাদা, পীকখ্রবা জপানদসু ঈশিং চাউই। মীফাও শিনরি।

নোং তাবা ৱাৎলে হায়রগা ঈশিং চাউই হায়রিসি করিগীনো। তুরেল হায়রিসি নোং তারগা চেন্থরকপদুনি। লম অতৈগীগুম উন শৌদোক্লগা শেম্বা তুরেলদু নত্তে। নোং তাবগী চাং ওল্লগা ঈশিং চেনবা নেম্বা-ৱাংবা ওল্লগা য়েংদুনা লৈবসিবুনি ঈশিং চাউবা য়েংবা দিপার্টমেন্ট লৈ হায়রিবসি। ঈশিং চাউবদু ফনবা য়েংবদি নত্তে। থৌওইনা চাউহল্লিবনি, থৌওইনা ইথায়দা থিংলগা লৈমতাক্তা উতোং কাম্বী শান্নরিবনি। খুদেংদা ঈশিং হৈজিল্লগা ঈশিং চাউই হায়বসিদি লীলাগী ৱানি। নোং তারবদি চেন্থজখিবনি।

চীংদগী ঈশিং চেন্থরকই হায়নরিবসিবু চেন্থহন্নিংদবগী ৱারা? নোং তাবা হায়রিসিনা ঈশিং চাউহনবা ওইরবদি নোং তাদবনা ফরকইবনি। নোং তাদে অমুক হায়, ঈশিং চাউই অমুক হায়, করম্বা ৱা লৌগদৌরিবনো? তুরেল মনুংদতা য়েংলগা লৈবা মখোয়না তুরেলগী লন্বী উবা হৌনদে। তুরেল য়েংবা কাঙবুগা লৌবুক য়েংবা কাঙবুগা ৱারী শম্নবসু নত্তে, পাউ ফাওনবা নত্তে, মপা-মপু পুনবসু মান্দে, লৈখৎনবীনি। ঈশিং তুংফমদা লৌ উশিল্লগা ঈশিং চাউই মহায়বা, চীংথক্তা য়ুম শাজিল্লগা ঈশিং পীয়ু হায়বসিবু লাই ফাওবনা ঙমগদ্রা হায়বা? লৌবুক্তনা ঈশিং ফংদে তুরেলদনা ঈশিং চাউরে হায়রিবসি ফত্ত-হাওথি ময়ামদু চেন্থখিবা ঙল্লব্রা, তুরেলদু নাল্লব্রা হায়বা। তুরেল তেংথোকপগী ঈশিং চাউবা মানবগী ৱাতনি। তুরেলদা লংথরিবদি কনাগী মোরোক মরু ফাওবা চিথদে, লংথদ্রদি কায়দা থল্লুনি। হকচাং মনুংদা ঈ ফত্তবা পুবা ঈ উতোং পাল্লিবনি। ঈদা মোৎলবদি মায়দসু মোৎলকই হায়বদুনি। মী মাল্লক্তবদুনি। য়োং ফাওবা লফোই মকু লম্বীদা লংথোক্ত্রবনি, হূই ফাওবা মচি-মরুমদা মপান থোক্লিবনি।

শেৱেজ প্রোজেক্ট হায়রিবসি হার্ট ওপরেসন তৌবা মাল্লকপদুনি। শোয়বদগী শিখ্রবরা খঙদে। ওইরোইদৌবা মাল্লকই। কৈনোমা মাল্লকসিফাও ফরিবনি, কান্নবা মী য়াওরমগনি। ঈশিং কদোমদা চেল্লি হায়বফাও খঙদনা পঙতৌদা তৌবা ওইরমাল্লে, চেল্লু য়াদে হায়রিব্রা?

মচা হাৎপী মপীসি তুরেলখক্তনি, মপীদা ঈশিং চাউরবা মচাশিং হেক্তা হাৎপনি, থুমজিনগনি। লৌবুক অতোংবদা কনাগী ঈশিংনা কাখৎলু য়াগদৌরিবনো? নোংগী ঈশিং খরা চীংখোঙদগী, খুল্লক্তগী চেন্থরকপা খুজোকমুক্তুনা লৌ উবা য়ারক্ত্রবদুনি। তুরেলশিংগী মনুংদা ঈশিং চাউরকপা য়েংদুনা লৈরগা লৌ উবগী ঈশিং পীরকপা হৌনদে। শেলবু পীজদ্রবদি ৱা অমা তাবগী ৱাবু লৈরোই। যুমদা থকপগীসু শেল তিংনা লৈরিবনি। ফৌ লোক্কে হায়রবদি ঈশিংসু লৈবা তারকপনি। নোংথক্তগী তারকপা নোংনা লোক্তাক প্রোজেক্টতা লেম্না পীথোকখ্রে, মৈদুনা শেল তিংনা লৈরিবনি। নোংথক্তগী তারকপা চীংথক্তগী ঈশিংদুসু থক্লবা শেল পীরগা লৈরিবনি, মিটরবু পাল্লে। নোং তাগে তাও, তারোই তোকউ ঈশিংদি পীগদৌবনি, রাইটনি, কঞ্জ্যুমরগী রাইটনি। নোং য়াম্না তারক্লগনা শেলসু লৌদ্রে, লৌরক্তা থাজিল্লক্লে, য়ুম্লক্তা চেল্লক্লে। নোংথক্কী ঈশিং শেন্নরিবা কাঙবুদু চৈ চাফম থোকই। ঙম্মোয়দবা ওইরগা শোরারেনগী নিংথৌ শারগা নোংগী ঈশিং করিগী য়োল্লিবনো। হেন্না তারগা য়ুম্লক্তা থাজিনবা য়াব্রা, মীগী লৌদা ষন থাজিনবগুম্নি, লম্বীদা মী চৎলম্বদা মশানা থৌবা গাড়ীনা তক্লম্বগা মান্নে। ঈশিং শেন্নবা দ্রাইভরদু জেলদা থম্ফম থোকই। ঈশিং ফাওবা ফজনা থৈবা/থৌবা হৈতবা করিগীনো? অঙাংমকসু নত্তে, চহী লিশিং অনী হেন্না লৈরকপনি হায়রগা নোং-নুংশিৎকী চাং লেপ্পা, মবুক খঙলগা তিন্নবা হৈতবা, অঙাং ঈরুজবদৌনা খুদেংসিদা ঈশিং হৈজিন্দুনা শান্নরগা অঙাংদৌনা কপ্পনা ঈশিং চায়শিনবা তোক্কদৌবা নত্তে। মৌনহা অনৌবীদুনা হৈবোয়-হৈতবোয় মচা ঈরুজবীবগুম্বনি। ঈশিং চাউবা য়েংবসিসু ইশাগী লৌ উদ্রবদি ঙা ফানরক্কদ্রা খনবসু য়াওনরমগনি। ঙা চরা অমা ফংলগা হোংনা চারবদি লৌনা শিরগা শি ঙায়হাক অৱা-অনাগা শম্নদবসু য়ারিবনি। লৌমীগী অৱাবা খঙবা শারগা শেল তানবা মীদি ৱাৎলম্লোই খল্লি। চহী খূদিং চাউবা লেপত্রিবসি চহী খূদিং খোং তৌবদি তোক্তে, অদুননি। খোং/কেনেল তৌবসি লেপ্পবদি ঈশিং চাউবসু লেপখ্রগদৌবনি। ঈশিং চাউবদি তোকহনবা য়াদে, থবক লৈরক্লোই, শেন্দোং লৈরক্লোই, ঈশিংসু লৈরক্লোই। ঈশিং চাউদ্রবদি কদায়দা য়েংলুগনি, ঈশিং চাইবী কদায়দা য়েংলুগনি। ঈশিং চেন্দবা কেনেলদি কদায়দা য়েংলুগনি, কেনেলসু য়েংদ্রবদি কদায়দা বিল শারুগনি। ঈশিং চাউবা য়েংবসি মখোয় খরদি শেল ফংলিবনি। অপঙবশিংনা শেল তিংনা ঈশিং চাইবী য়েংনবগী ৱানি। অপঙবা লৈবদুনবু ঈশিং চাউরিবনি। ঈশিং চাউবা হায়রিবসি শেন্দান লম্বী অমা ওইনা উরিবনি। লৈফম খলহৌদবা, লৌফম ফজদবশিংদা ঈশিং চাউবা য়াওরকপদা শেল তানবগী মওংদা শেল নিবা, চেঙ চাক নিবগুম তৌবা, লীলাগুম পোৎচৈ য়েনবা কয়া উরিবসি ঈশিং চাউদ্রবদি উবা ফংলোইদৌরিবনি। পোত্থাফম খঙলোইদৌরিবনি। মীওই খরদি থবক ফংদববু য়ারিবনি। দান তৌগনবশিংগী মীনুংশি উথোকফম কয়া লৈরিবসি মাঙখিগদৌরিবনি। লায়রববু লৈরক্তদনা থাক চপ মান্নখিবদগী পঙখৎপু খৎনরকপা য়ারিবনি।

হৌজিক্তি ঈশিং চাউবা শুকতোক তোক্লরোই। ঈশিং চাউফম লৌবুক্তা য়ুম ময়াম শাজিনখ্রে, লৌ উবগী মহুৎতা চেক শাফম, উপু কাংথোন শাফম, লৈ য়োনফম, স্কুল, দুকান, শান্নবুং, লাই হরাওবুং, পার্ক, পুলিস ষ্টেসন, গোদাউন ময়াম শাজিল্লিবসি ঈশিং খরা খরা চাউবদু হেন্না চাউনবনি। লৌবুক্তা ঙা য়োকপা ময়াম লৈরবনি। চেঙ চাদ্রবসু ঙা চারগা লোইরে। ঈশিং থুম্বা য়ুমদুদা চেঙ ৱাল্লগা চারগা লৈবা কৈদৌবনো? ঈশিং ময়ামদুদা তাজমহল মাল্লবা য়ুমদুদগী ঈশিং চাউবা য়েংবগী লাপ্পা চৎত্রবসু য়ারিবনি।

ঈশিং ময়ায়দা রেষ্টুরেন্ট শাগৎনবসু য়াওরিবনি। নহাশিংসি রেষ্টুরেন্টদা 'চাবা-থকপা-জগোয়' ওইনতা তায়। ময়ুম পানবা, মচা-মশু য়ামখৎপগী ৱাদুদি ইতা তাদে। মী মশিংদি মচা পোক্তবা কাঙলুপ্নবু হেনগৎলক্লি। থবক ফংদ্রি, তোলোপ চাদ্রি হায়বদগী ময়ুম পান্দবশিংনা ঈশিং চাইবী য়েংলগা লেল্লিব্রা? ঈশিং চাউরিবা করিগীনো, ঈশিং চাউদনবা করি-করি তৌগনি কাকসি লাইরিক ওইনা তমদবসু মাল্লি। লাইরিক তম্বসি চানবা থোং-থাকপা, হাওহনবরোমদা লাক্লি। চাফম থকফমশিংসিদি ঈশিং চাউরা চাউরগা ফজবা হেল্লি। ঈশিং চাউরা-চাউরগা ফোরেন্নর কয়া লাকপসু হেনগদৌরিবনি। লৌ-শিংনা মুৎলগা মুৎলা ঈশিং ময়ায়গী রেষ্টুরেন্টশিংদা ইচন-ইচাশিংনা মপান্দগী লাকপা ফোরেন্নরশিং পীজ-পীথক তৌরগা শেল য়াম্না তাল্লগা টুরিজম চাউখৎহল্লগা হিংবা হায়বদুনি। হোম ষ্টে ময়াম য়াল্লগনা হান্নদগী তোৎশিন্নবা তোক্তবগী মথক্তা অনৌ-অনৌবা মী মখল অমা ওইরকপা হায়দুনি। লমদমসিদা লৈমিন্নরিবসি মী মখলবুদি য়াল্লবনি। ঈশিং চাউবগুম হেনগৎলকখিনি। ঈশিং চাউবা য়েংবগুম্না ঈশিং চাউখৎলকপা উরকখিনি। চীংদগী ঈশিংগুম্না মীসু চেন্থনরক্লিবনি, ঈশিং চাউবগুম্না মী মশিং চাউরকপা মশানা তারকপনি। মতমদুদা থক্লবা ঈশিংগী মমলসু খ্বাইদগী ৱাংবা ওইরক্কনি। চেন্থখিনবা ঈশিংতনি চাউজরিবা, অদুসু লৌ হাৎলম্লগা থা অমদি ঈশিং চাউরনি, থা অহুমদি পুম্নম নল্লনি, থা নিপানদি ঈশিং অমুক ফংলরোই। থা অনীদি ঈরুজনদবা য়ারিবনি। চীংদদি হৌরবনি।

নোংদি, ঈশিংদি, লাইজদি চাউবা পীকপা লৈতে। মাগী তৌফম থোকপদু তৌবনি। লৈমায় হেক য়ৌবগা মালেমদা লৈজবা মীওইবতনা হায়জবনি। ঈশিং চাউরে, ঈশিং কংলে হায়বসি মীগী মরোলনি, মথৌ অমা নত্তে। ঙম্নবা হিংবদুনা মীওইবগী মথৌনি হায়রিবনি। ফনা চাউবা ঈশিংসু ওইসনু লমদম অসিদবু ঈশিং কয়া য়াম্না চনগদৌরিবনো। লাইমতোন থুম্বা ঙম্বা হৌনদে। লাংজিং থুম্বা য়াওখিদ্রি। নোং মরাং কায়না চুবগা ঈশিং চাউবা হায়বসি কদায়দনো অমা লোন অসিদা শোয়রিবা মাল্লি। থবক্তা শোয়বগীরা, লৌশিংদা শোয়বগীরা, য়ুম্লে কৈরৈদা শোয়বগীরা খন্নথোকপা চুম্মী। খন্নবদা শোয়বগীসু ওইবা য়ারি।

মালেমগী অতৈ মফমদা থোকপগুম্না লমদম অসিদা ঈশিং চাউগনি হায়বা লৈতে। মহৌশা ঈশিং তুংফমদুদা চঙশিল্লগা ঈশিং চাউরে হায়না লাউবসি ষন শেল্লিঙৈগী ৱারী নীংশিংলকই। কৈ লাকপদৌনা লৌবা য়াগদৌবা মান্দে। খোং তৌবদি চীংদগী হৌগদৌবনি। ঈশিং তুংফম শেমগদৌবনি। য়াইরোং মেৎপদৌনা তুরেলগী মনিংদা হোৎকদৌবা নত্তে। দাম শাবদি চুম্মী শাফমগী ৱাদুনি, আর্থ দাম মশিং খঙদনা শারগা উসু হৌগনি, ঈশিংসু তুংগনি। মনেম্নবু চায়থরবসু, মৌ নহাদুনা চায়থরবসু অঙাংদু লৌথোকখিবদা খুদেংদু থনকোক তৌনা ঈশিং তুংবদি হৌনশানি। অঙাংদু ওইবীনিংবরা মপাদু-মপুদু ওইবীনিংব্রা খন্নবনা চুম্মী। ●